**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-04-2025)**

**সনাজাউবা (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি-শেংলবা লাইফমলেন কৌব্রু অমসুং থাংজিং কাদুনা ইরাৎ থৌনি তৌবদা অয়েৎপা পীবা হায়বসি সংবিধাননা পীরিবা ধর্ম্মগী নীংতম্বা অদু শিংনবনি।

মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গোইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন অমসুং মীলালনা পুন্না খুৎশমদুনা ত্রিপুরাদা মীতৈ ময়েক তম্বীরুগদবা মীওই তরুকা শাবা কাংবু অমা ঙসি সনা কোনুংদা লমথাবগী থৌরমগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-মীতৈশিংনা অঙনবা মতমদগী কৌব্রু অমসুং থাংজিং চিংবু অশেংবা লাই খুভমনি খন্না ইরাৎ থৌনিদুনা লাক্লি। হায়রিবা লাইফমলেন অসিদা কাদুনা ইরাৎ থৌনি তৌবদা অথিংবা পীবা হায়বসি য়ামমক লাইবক থিবনি। থৌওং অসি চাউখৎলবা খুন্নাই অমত্তনা চুম্মী হায়রোই।

মহাকা হায়-ভারত সরকারগী মীৎয়েং মখাদা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা পুরকবা হোৎনরি। মীওই খরনা ফুরুপ অমগী পুকিং নুংঙাইরোইদবা থৌওংশিং চখ্থবনা শান্তি হনজিন্নবা হোৎনরিবা অসি খুরৌ থাংবা ওইনা থোক্কনি। মুকরিবা ফুরুপ অনিনা হৌখিবশিং কাউথোকদুনা রাজ্য অসিদা মহৌশাগুমা শান্তি পুরকবা হোৎনমীন্নসি।

**প্লাস্তিকঃ** রাজ্য অসিদা ঙরাংদগী অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাস্তিক শিজিন্নবা থিংখ্রবা মতুং মহুদ অমদি মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দনা ঙসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা দ্রাইব চখ্থখ্রে। মদুদা অথিংবা থমখ্রবা প্লাস্তি য়োল্লম্বা দুকান ৬ ফাইন থিহনখ্রে।

পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগী ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা খ্বাইরম্বম কৈথেলগী পাউনা কৈথেল পরিং, মসজিদ রোদনচিংবা মফমশিংদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাস্তিকশিং য়োনবা থিংনবা দ্রাইভ অমা ঙসি চথখি।

দ্রাইব অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোলগী মেম্বর সেক্রেটরি-ডা.ৱাইখোম রোসননা হায়-অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাস্তিক থিংনবা পায়খৎলক্লিবা থবকশিং অসিদা মীয়ামা মতেং পীবীয়ু। হৌজিক চথরিবা দ্রাইভ অসি থা অমমম চথগনি। মখা তানা তোঙান তোঙানবা ইম্ফাল মফম কয়াদা দ্রাইভ চথনবা শেম শারি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা লৈরিবা সরকার অমদি লন্নাই ওফিসশিংদা অমুক্তা শিজিন্নরগা লংথোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রে।

**দিংগো (এল)ঃ** হৈখাম দিংগো-এম.এল.এনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কাংচুপ চিংখোংদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা শ্রী দিংগোনা হায়-রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা ময়ুমদা হনজিনবা য়াদ্রিবা মীওইশিংগী য়াইফনবা করম্বা থৌরাংশিং পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদা কুপা য়েংশিল্লি। ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা য়ুমশিং শেমজিন শাজিন্নবা মরী লৈনবশিংদা তকশিল্লি। মহাকা হায়-মীয়ামগী অনা লায়েংগী খুদোংচানবগীদমক্তা আয়ুসকী দিসপেন্সরি অমা কাংচুপতা শাননবা থৌরাং তৌরি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রি সেন্তরগী মখাদা লাইভলিহুদ বিজিনেস ইনক্যুভেতর(এল.বি.আই) ইম্ফাল ইষ্টনা প্রধান মন্ত্রি বিশ্ব কর্ম

য়োজনাগী ত্রেনিং ফংখ্রবা মীওইশিংদা সার্তিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা এল.বি.আই স্কিল ত্রেনিং সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি বিশ্ব কর্ম য়োজনাগী মখাদা অহানবা তাঙক্কী ওইনা থা অসিগী ৪ দগী ১০ ফাওবা চত্থখিবা ত্রেদিস্মেল সোফট, দোর্স অমদি তোইস শাবগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবা মাই পাক্লবা ত্রেনিশিংদা সর্তিফিকেট অদ্ য়েন্থোকখিবনি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দি.সি ইনচার্জ এম রাজকুমারনা হায়-অসিগুম্বা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি জিলা খুদিংমক্তা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা অচৌবা লম্বী অমা ওইগনি। ত্রেন্নিং ফংলবশিংনা মসিগী কান্নবা ফংনবা মখা তানা হোৎনগদবনি।

**টিন্টেদ (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা গাড়িশিংগী মিংশেল টিন্টেদ ফিল্ম নপ্পাশিং অদু নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা মশা মশানা লৌথোক্কদবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটদ-ময়াংলম্বম রাজকুমার সিংহনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-টিন্টেদ ফিল্ম য়োল্লিবা দুকান মপুশিংনসু য়োনবীদনবা আপিল তৌরি। করিগুম্বা নিয়মগী ৱাংমদা য়োল্লম্বা থোক্লবদি আইনগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংগনি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-টেন্টেদ ফিল্মশিং অসি ভি.আই.পি, ভি.আই.আই.পি, জেট নৎত্রগা জেট প্লজ কেটেগোরিদা লৈবা মীওইশিংগী গাড়িশিংদা টিন্টেদ ফিল্ম নপ্পাগী অয়াবা লৈ। করিগুম্বা গাড়িশিংদা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদা টেন্টেদ ফিল্মশিং অসি নপ্পা গাড়িশিং থেংনরবদি ফাইন থিহনগনি হায়রি।

মহাকা হায়-কনাগুম্বা মীওইশিংনা মখোয়গী গাড়িশিংদা টিন্টেদ ফিল্ম নপনিংলবদি হোম বিভাগতগী অয়াবা লৌগদবনি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাদা মমাং থাগী ১৭ তগী থল্লকখিবা কার্ফিয়ুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎলকপদগী খুদক্তগী লৌথোকখ্রে।

জিলা অসিগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা হায়-জিলা অসিদা সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা ভারত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা মমাং থাগী ১৭ তগী চৎনদুনা লাকপনি। জিলা অসিদা হৌজিক ফিভম ফগৎলক্তুনা মীওইবগী পুন্সি অমদি লন-থুমদা অকায়বা থোক্কনি হায়বগী অকিবা লৈত্রে।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা সোনিয়া গান্ধি অমদি রাহুল গান্ধিগী মথক্তা নেসনেল হেরাল কেসকা মরী লৈননা চার্জ সিট তৌরকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি ভারত শিন থুংনা চংশিনখিবা শরুক অমা ওইনা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটকী ওফিস মমাংদা খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজংগা মরী লৈননা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা হায়-নেসনেল হেরাল কেসকা মরী লৈননা দল অসিনা শেংদোকফম থোকপা ৱাফম কয়া ফোংদোকখ্রে। নেসনেল হেরালদা শেল থাদবগী মতাংদা দল অসি চেন্নবা লৈতে। মহাকা হায়-ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটপু রাজনিতিগী লম্মন খুমনবা খুৎলায় ওইনা শিজিন্নবসি য়ানিংদে।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** হেলত কেয়ার প্রোভাইদর ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাংবু অমগা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা উন্নদুনা হৌজিক রাজ্য অসিদা হেলথ কেয়ার সেক্তরদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার চান্দবাবুনা লুচিংবা য়ুনিভরসিতি অসিগী মীহুৎ কাংবু অমগসু রাজ্যপালগা উন্নদুনা য়ুনিভরসিতি অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা হায়রি-জিলা অসিগী মীওইশিংনা লেন্দ রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা দিপ্যুতি কম্মিস্নার, সব-দিভিজনেল ওফিসার অমসুং সব-দিপ্যুতি কল্লেক্তরনা পীরিবা তোঙান তোঙানবা মখলগী সার্টিফিকেটশিং খুদক খুদক্তা লৌনবা দরখাষ্ট থারকপগী মহুৎতা মতম চানা দরখাষ্ট থাবীরকউ।

জিলা অসিগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংনা ওন লাইনগী খুত্থাংদা সার্টিফিকেটশিং অসিগীদমক মতম চানা দরখাষ্ট থাবীরকবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা আপিল তৌরি।

**ফয়ার (এল)ঃ** নেসনেল ফয়ার সার্ভিস চয়োলগা মরী লৈননা মনিপুর ফয়ার সার্ভিস ইম্ফালনা শিনদুনা য়ুনাইত টু ইগনাইট এ ফয়ার সেফ ইন্দিয়া হায়বা হীরমদা রচনা ইবা চাংদমবা অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

চাংদমবা অসি মফম মরিদা পুন্না মহৈরোই ৮১১ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা গ্রাম পঞ্চায়টশিংদা পায়খৎলিবা এম.জি-নরেগাগী থবকশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু এম.জি-নরেগা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম থৌবালনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

**ককচিং (এল)ঃ** এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ককচিং কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা নৌনা শেমজিল্লিবা লম্বীশিং য়েংশিনখ্রে।

লম্বী শেমজিনবগী থবক য়েংশিনবা চৎপগী খোঙচৎতা এম.এল.এনা

হায়-লমদম অদোমগী মীয়ামনা থোরক্কুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলিবা অসিদা মতেং পাংবীয়ু। মীয়ামনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা কেন্দ্র অসিবু চাউখৎ লন্বীদা মাংজিল থাবা কেন্দ্র অমা ওইহল্লসি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ফিন্দলেনগী রাস্ত্রপতি-আলেকজেন্দর স্তবকা ঙসি টেলিফোনদা ৱারী শান্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে।

লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী অমসুং মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখি। যুক্রেনদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদসু কুপা খন্নখি। শ্রী মোদি অমসুং রাস্ত্রপতি আলেকজেন্দর স্তব অনিনা লৈবাক অনিনা পুন্না পায়খৎমীন্নরিবা দিজিটেলাইজেসন, সসটেনেবিলিতি অমসুং মোবিলিতিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। লুচিংবা অনিনা ক্বান্টম, ফাইব-জি, সিক্স-জি, আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স অমসুং সাইভর সেক্যুরিতিগী লমদা হেন্না মরী চেৎশিলহন্নবা ৱাফমশিং খন্নখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ফিন্দলেন অসি ভারতকী লল্লোন ইতিক্কী মরুওইবা লৈবাক অমনি।

**ঈদিঃ** হরিয়ানাদা লম লৈবদা নারোন্দা শেল থৈদোকখিবগী মতাংদা থিজিনবগা মরী লৈননা ইনর্ফোসমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবী প্রিয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্রগী মপুরোইবা রোবার্ট ভদ্রবু মচিন হংখ্রে।

কেস অসি শ্রী ভদ্রগী কম্পানিনা গুরুগ্রামদা লম লৈবগা মরী লৈনবনি। কেস অসিগা মরি লৈননা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা শ্রী ভদ্রগী মচিন হংবা ঙরাংদগী হৌখিবনি।

অমরোমদা, লুপা কোতি লিশিং ৪৮ চেন্নবা এম.এস-পি.এ.সি.এলদা শেল থাদবশিংবু নমথাক তৌখিবগী কেসকা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা ঙরাং মফম ১৫ হেনবদা থিবা হুন্বগী থবক চণ্থখিবনি। মদুগী

মনুংদা রাজস্থানগী হান্নগী মন্ত্রি-প্রতাব সিংহ খাচরিয়াৰাজগী ময়ুম য়াওরি।

**ক্রিকেটঃ** চহি ২৩ মখাগী অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অক্সদো খাঙবোকা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি-লালাম্বুংবু রন-২৫৯ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** চহি ১৯ মখাগী নুপাগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান ডে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা আর.সি.এ. লিলোংনা অল-আমিন লিলোংবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, ই.এস.য়ু ৱাংখৈনা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ্ পেচু লম্পাকপু ৱিকেট ৯ দা থোইখি। পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা অক্সদো-খাঙবোকপু ৱিকেট অহুমদা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** চহি ১৩ মখাগী নুপামচাশিংগী ইন্টর ক্লব ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দি.এনা য়ু.এস.এবু পাঞ্জল ৯-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টরনা পান্দম এফ.এফপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি। ইমা ফুটবোল একাডমী অমসুং টি.ৱাই.দি.এ. অনিগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচতা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা ড্রো চৎখি।

**ট্রাইয়েল (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিনদুনা এ.আই.এফ.এফ. ফিফা একাডমী ট্রাইয়েল, থা অসিগী ২৪ দগী ২৯ ফাওবা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। ট্রাইয়েল অসিদা শরুক য়ানিংবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা থা অসিগী ১৮ দগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা

আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা লাক্লগা রেজিস্তার তৌগদবনি।

**ক্রিকেট ঃ** লোস এঞ্জেলসতা ইং ২০২৮ দা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক গেমসকী মনুং চন্না ক্রিকেট শান্নগদবা মফম লাউথোকখ্রে। ওলিম্পিক ওর্গনাইজিং কমিতিগী মতুংইন্না কোমোনাগী ফিয়ার গ্রাউন্দ হায়রিবা মফম অসিদা ক্রিকেট শান্ননবা মফম ওইরগনি হায়রি। মফম অসি লোস এঞ্জেলসতগী কিলোমিতর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা সাউদর্ন কালিফোর্নিয়াগী মনুং চনবা মফমনি।

নিংশিংবা য়াবদি, চহি ১০০ হেনবগী মতুংদা ইহান হানবা ওইনা ক্রিকেট মশান্না অসি ইং ২০২৮ গী লোস এঞ্জেলিস ওলিম্পিক গেমসতা য়াওননবা ৱারেপ লৌরকখিবনি। মশান্না অসিগীদমক নুপাগী টিম ৬, নুপীগী টিম ৬ শরুক য়াদুনা টি-ত্বেন্তি ফোর্মেটতা শান্নগনি।